ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, এপ্রিল ২৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪শুবা মশীং

# অঙনফৌগী মরাইবক

## লৈঙাক্না লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎহন্নিংই

হৌজিক মণিপুরগী লৈজরিবা লৌ উবা য়াবা মফম (কল্টিভেবল এরিয়া) পুন্নমকসিদা চহী অমদা লৌরোক অনীরক লোল্লুগদি অপূনবা ষ্টেটকী মীশিং পুন্নমক চাবা কোন্নরোইদ্রা? কোন্নফম থোকই খল্লি। কোন্নদ্রবসু য়াম্না ৱাৎলোই। তঙাইফদনা হিংনবগী পান্বেদা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি। অদুবু ৱাফমসিদি হৌজিক লৈরিবা লমদমসিগী লৌফমশিংগী ফীভমসিদা ৱা ওইনা ঙাংনবা ফাওবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরি। মসি লৌফমশিং অসিনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসিনা হায়বনি। ময়াম্না মরুওইনা লৌমীশিংনা হেন্না খঙই মদুদি লৌ উবদা চঙলিবসি লৌফম, ফৌদি, মসিবু লিংবা নৎত্রগা পাম্ফেল ওইনা হুনজিনবা, হৌবা হৌরক্লগনা পেঙবা, লিংবা নৎত্রগা পুমহুন তৌরবসু মসিবু য়ানবা ঈশিং থম্বা, হৌহনবা ঙম্নবা ঈশিং চনশিনবা, হৌরবা ফৌ পান্বীশিংনা খুৎলোল্লকপা মতমদা তঙাইফদনা চঙলিবা চাংগী ঈশিং লৈহনবা, হেন্না ফহন্নবা মহৌশাগী নৎত্রগা খুৎশেমগী হার হাপ্পা অমসুং খাওবনি। হায়রিবা লৌ লিংলবা মতুংদগীনা খাওবা ফাওবদা পান্বে ওইনা শীজিন্ননবা হৌজিক্তি মখল কয়াগী খুৎশু-খুৎলায়শিং মতমগা চুনবা মওংদা পুথোরক্লরক্লে। লৌমীশিংদা পেংবদগী হৌরগা খাওবা ফাওবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরে। খুৎশেমগী হারসু ফংলে। করিগুম্বা লৌবুকশিংদা মখল কয়াগী লায়না তিলনা তারক্লগসু মসিবু মায়োক্লনবা তিলহাৎ হিদাকশিং মরাং কায়না লৈরে। মসিদা শীজিন্ননবা ইক্বিপমেন্টশিংসু লৈরে। অদুবু পুন্নমকসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবা পোৎচাক অমা ওইরিবসি ঈশিংনি। মণিপুরগীদি ঈশিংগী মতাংদদি হৌজিক ফাওবদা নোংথক্তগী তারক্কদবা/চুরক্কদবা ঈশিং/নোংগী চাংদা য়ুম্ফম ওইরি। মস্বাইদনি লৌমীশিংনা হেক হেক মকোক্তা মখুৎ হাপ্লক্লিবসি। হৌজিকসু মণিপুরগী অৱাং, মমাঙ অমসুং মনিংলোম থংবা শরুকশিংদা লৌ অনীরক পান্ননবা (দবল ক্রোপিং তৌনবা)গী থবকশিং পাক শন্না পায়খৎনদ্রবসু মখা মায়কৈগী অয়াম্বা শরুক্তদি অঙনফৌগী থবকশিং হৌনখ্রে। ফৌদি হুল্লে, লৌ লিংলে। অদুবু কুমশি চহীসিগী হৌজিক থা ১২গী মনুংদা থা ৪ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা ঈশিংগী অৱাবদি মায়োক্লরি। লৌ পানবগী খক্তা নত্তনা চান-থক্লবদগী হেন্দোরক্তুনা ঈশিং চঙবা থবকশিংদা মসিবু ফংদবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরে। ঈশিংগী ফীভমসিনা মসি য়ৌরক্লগদি লৌ উবনা হিংনবগী পান্বে ওইজরিবা লৌমীশিংদি করি ওইরমগনি। হিংনবগীদমক থক্লনবা ঈশিং ফাওবা লীন সিজননি হায়দুনা ৱাটর সপ্লায়গী থবক ফাওবা খুৎ থারবা মতমসিদা লৌফমশিংদদি করি ওইগনি।

মতাংসি য়ৌরকপদদি মণিপুরগী লৌফমশিং অমসুং লৌমীশিংগী চেনবা য়াররোইদবা মপু ওইরিবা অমদি মখোয়গী থৱায় হাপকদৌরিবা লৈঙাক্না তুমীন্না লৈথোকপা চুন্লোই। নোংথক্তগী তারকপা খক্তং ঙাইদুনা নিংঙাইদনা লৈথোকপা মতম নৎত্রে। তারক্কদৌরিবা অসিসু হৌজিক লৈরিবা অকোয়বগী মহৌশাগী ফীভমশিং অসি য়েংলুরগদি চঙগদবা চাং কোন্ননা চুবীরক্কদবা নত্তে। মসি মহৌশাগী খল কায়রকপদগীনি। অদুনা মচিং-মশোন নাইবগী থৌদৌদা ঈচাও মায়োক্লহল্লক্লবা তপ তানা চুরকপসু য়াওরিবনি। মসিনা মহৌশাগী ওইবা অঈং-অশাগী চাং কায়হন্দুনা থম্বসু চঙই। মসিগীদমক্তা উ-ৱা থাসি, উমং কনসি হায়বা ৱাফম হৌদোক্লরক্তুনা মসিগী থবক থৌওংশিং চথুনরক্লিবসিনি। অদুম ওইনমক থৌরাংসিনা মতম শাংনা চঙগদবনা হৌজিক্কী ওইবা পান্বে ওইনবা লৈঙাক্না ৱাটর বোদিশিং থিন্থদনা শেমগৎকদবনি। মসিদা কুমগী নোংশিং তুংশিন্দুনা থমজিলহৌরগা চানবা চাক পুথোরক্কদবা ফৌ পুথোকপা য়াওনা ঈশিংগী অতৈ চন্নফমশিংদসু শীজিন্ননবা হোৎনগদবনি। লৈঙাক্নসু লৌফম কন্নবা এক্ত ফাওবা শেমদুনা থল্লে। মসিগী পাঙথোকফম থোকপা থবকশিংসু পায়খৎলক্লি। লন্নাই লূপ কয়ানসু লৌফম কনগদবনি হায়দুনা চঙশিন্নরক্লি। অদুবু লৌ উবা য়াবা লৌফমশিং অসি মায় পাক্লা কন্দুনা থল্লগসু লৌবুকশিং অদুদা লৌ উবা য়াদনা লৈক্রক চৎতুনা থল্লগদি লৌফম কনবগী ৱাহন্থোক অচু চুমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাফম লাকই। লৌ উবা য়াবা লৌফমশিংসু কনসি অদুগা কন্দুনা থল্লবা লৌবুকশিং অদুদা লৌ পানবা য়াবগী ফীভমদসু থমসি। অদুগা হৌজিক তঙাইফদনা পূক্নিং চঙগদৌরিবনা কুমশিগী অঙনফৌশিং অসিগী মরাইবক করি ওইগদগে হায়বসিনি। মসিদা হৌজিকমক মথৌ তারিবসি ঈশিংনি। মসি কদায়দগী মতৌ করম্না লৌরগা অঙনফৌশিং অসি কনবা য়াগদগে। মতাংসিদা থিন্থদনা লৈঙাক্না পূক্নিং চঙহন্নিংই। মনাক নকপা পাৎ, তুরেল, পুখ্রিশিংদগী ঈশিংশিং চিংখৎলগা অমসুং চিংথোক্লগা অঙনফৌ উরিবা লৌফমশিংদা পীননবা হোৎনগদবনি। থবকসি অরাইবা নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্না, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা পাম্বোম তিংদুনা হোৎনবীবা চঙই। মসিদা লৌমী লোয়শঙ খক্তা নত্তনা ষ্টেটকী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট অমসুং মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনসু খুৎশম্নহনবগী তঙাইফদবা লৈ। রিভর লিফ্ট ইরিগেসন সিষ্টেমশিং মপাঙ্গল কন্না হিঙ্গৎহল্লু। অচৌবা অমসুং মচা দাম/বেরেজশিং থবক হৌহল্লু। মসি নৎত্রগদি লিংবা হৌজিল্লুরবা অঙনফৌ লৌফমশিং অসি লৌবুক্তা লেপকং কংদুনা মাঙবগী ফীভমদা লাক্কনি। চীঞ্জাক হায়বসি মীওইবনা হিংলিবা ফাওবদি মীওইবদগী শেৎতোক খায়দোক্লবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংনি। অদুগী মথক্তা হৌজিক্তি লৈবাকসিনা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯)গী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্নরকপদগী ষ্টেট অসিদসু য়ৌশিল্লক্লবনা ষ্টেটসিগী মীয়ামগী মশা শোন্থবা, শোন্দম-নাদম্ননা লৈবা য়ারোই। মীপুম খূদিংমক মশা-মউ ফনা লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মসি পুন্নমক য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা অঙনফৌ লৌরোকশিংগীদমক মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎহন্নিংই। প্রাইম মিনিষ্টর গড়িব অৱাজ অন্না য়োজনাগী মখাদা থা ২ লেম্না মীকোক্তা চেঙ কিলোগ্রাম ৫/৫ পীরগনি হায়রে হায়দুনা খোঙগ্রাই নিক্তুনা লৈথোকপা য়ারোই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬

১) "ঐনে ময়াই কাবদি ৱাংলৈ য়ুবু হেলএ, থকফরোইএ, য়াইবি ঈংনা চেনফরোইএ - কোল্লোইচমনা থাহৈদে। নমু পোং ওইবা পূন্নমকপু থৱায় অমতনে নিংঙৈনে তাইবঙ মীবু ওইনা পোল্লবা ইখোইবু খাচংথৌনি ৱাৎপা লোনজা লনথোই তানফংদরবগী লাহান লাংওন মপোক অমরক্কী থৌরম মতৌশিংবু ৱারম মতৌ খঙলুদে; হন্দক লাংওন অসিগী ৱারম মতৌ খঙদে, থৌরম য়াংগোইরিবসু কদাইনো?" পরেং মতেক অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) হিজম অঙাংহল সিংহগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" হায়বসি কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?

৩) খেবা চীংগী চীংথক্তা লৈরিবা খোংজোম ৱার মোন্যুমেন্টকী লৈরিবা দিজাইনসি করিনি হায়না লৌবগে? দিজাইনসিগী মতাংসি করি লাইরিক্তা থেংনবগে?

৪) "হে তসলিমা:/নুংশিরবী/নহাক অমুক হন্না পোল্লক্তবা ওইয়ুকো/নঙগী নুংশিরবী বাংলাদেশতা/নৎত্রগসু কাউথোক্তুনা/ঐগী নুংশিজরবী মণিপুরসিদা।/মরমদি-/ঙসিদি ওইরক্লে লমদমসে/নহাক্কী লজ্জা।/অদুননি কপলিবা ঐখোয় তশেংনমক/নহাক্কীদমক কিরণময়ী ওইনা/থম্মোয় ফূকপা মখৈ থনুংদা।।" শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগীনি। কবি অসি কনানো, করি লাইরিক্তগীনো?

৫) কনানা করম্বা চহীদা কদাইদা মৈতৈ লোলনা বাশোক শকপা হৌদোকখিবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৬

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মণিপুরদা হিংজবা চাওজবা শুমাং লীলাসি লমদমসিগী মফম কয়াদা উৎপদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুর তাবা থংনবা ষ্টেট হায়বদি অসামগী মফম কয়াদা উৎতুনা লাকপসি ঙসি ঙরাংতগী ৱা নত্তে। মমাঙৈ অহল-লমনশিংনসু কছারদা লীলা চৎপা হায়না চৎনরম্মী। লীলাসি শো অমা অনী উৎলগা লাকপদু নত্তে। মফম অমদগী মফম অমদা চৎলগা লম লমদুদা লৈরগা লীলাসি থাখায় অমা, থা অমরোম চৎলগা শান্নবনি। মসি শুমাং লীলাখক্কী ৱা নত্তে, মণিপুরী দ্রামাসু চৎলি। মমিং লৈরবা লমদমসিগী দ্রামা পার্টি কয়াগী দ্রামাসু উৎপা চৎনরিবনি। অদুবু শুমাং লীলাগী কাঙবুনা খরা হেন্না শাংনা লৈথরগা লীলা মশীং য়াম্না শান্নখিবগী পাউদি লৈখি। কছারগী লীলাগী পাউসি য়াম্না নুংঙাই। শ্বাইদা লীলাগী চেবাউ খরা হন্থনা ফংবা কাঙবু অমদি কছারগীদমক থওইনা শেমগৎপা লীলাগী কাঙবু, মীনা কয়া মশক মশা খঙনবা নৎত্রবসু পামজবা খরা অদুম পূনশিন্নরগা লীলাসি শ্বাইদা য়াম্না মমিং লৈনা শান্নবা লীলাবু ওইরো নৎত্রগা অনৌবা ৱারীদবু ওইরো, খরা পানরগা হেক্তা শান্নবজাৎনি, অদুক কা হেন্না রিহার্সেলনচিংবা তৌদুনা চৎপগদি নত্তে। অদুনা মণিপুরগীশুমাং লীলাসি য়াম্না পাম্নবা ওইরবসু কয়া ফজদবা অমদি মীনা মশক খঙদবা কয়া লাকপদুনা লীলাগী মতিক ময়াইসি য়াম্না হন্থরকপগী ৱারীসু ঐখোয়না অদুম থেংনৈ।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি কছারগী লীলা কৌরিবসি কনা কনানো হায়বা অসিনি। থৌওইনা লীলাসি বিজিনেস অমা ওইনা তৌবা মী কছারদা লৈখিদবা নত্তে। হৌজিক্কী ৱা নৎচদে, মতমদুগী ৱানি। ঐখোয়না খঙলকপা ফাওবদা কছারদা লীলা কৌবা ঐখোয় শ্বাইদা মমিং য়াম্না চৎপা মী অনী অহুম লৈ। ৱারেংসিদা মমিংদি পঞ্জদ্রে, ৱারৌবীগনু। মখোয়না লীলা পার্টি অমা এনগেজ তৌরনি, অদুগা চৎলনি। মণিপুরী শুমাং লীলা চেরিটি শো অমা তৌদৌরি হায়বসি খুনগী অকোয়বদুদা পব্লিসিটি চৎলনি, খুল্লোন্নবা ফাওবা য়াওনা। লীলা হৌদ্রিঙৈসিদা লগাও খাওগনি। লগাওসি মফম অনী/অহুম থোক্না খাওনৈ। লগাওদা শেল তানবনি, লীলাগী মমীংদা, মদুনা ফনা য়াম্না থেংল ফাওবা লীলা হৌদে। থৌওইনা লীলা য়েংজগে হায়না লাকপশিংদুদি টিকেট কক্লগা মনুংদা ফম্মগা লৈরবনি। অদুনা থেংলক্লবকান্দা লীলাসি মী পংয়াম য়ামদনা য়েংলগা শান্নবনি। অদুগা লীলা অকৌবগী মমলসি কৌরিবা মীদুগা য়ানবগী মতুংইন্না পীবনি। য়াম্না লৌবগী ৱাদি নত্তে। অসুম্না কছারগী লীলা হায়বা কাঙবু অমসু য়াম্না তোয়না চৎনৈ। মমৈথংদা লীলা চৎলিবা কাঙবুদু অফংবা শেল খরা খরা য়েন্নরগা লংফৈ চৎলুবগুম্না হন্নরক্লমখিবনি।

ঐ ইশাসু কছারদা লীলা শান্নবা চৎলকই। ঐখোয়দি য়াম্না কুইনা লৈথরগা লীলা শান্নবগী মতমসু লৈতে। মরমদি গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবসি ঐগা লৈখিদ্রবা ঐগী মরুপ ধনবিরগা ঐখোয় অনীগী য়েংবীদুনা লীলাসি শাংলবদা নুমিৎ হুমনিগুম্বদগী হেন্না চৎতে। লীলা কৌরিবদুসু ক্লব অমগী লেট্টর হেদতা এপ্লিকেসন ওইনা থাহল্লগা সিষ্টম অমগী মখাদা লীলাগী এগ্রিমেন্ট ইনবনি। লীলাগী মমলসু ঐখোয়গী সিদা লৌবা মমলগী শরুক খরা হেন্না লৌই। ঐখোয়না মফমদু য়ৌনা চৎপদদি লীলাগী এটমোসফ্যের অমা য়াম্না কন্না শাগৎতুনা লৈরম্মী। অতোপ্পা লমদা ময়ূম পানখিবা নিংঙোলশিং, অরাপ্পা মফমদা থবক তৌদুনা পোষ্টিং তাখিবশিং লোইনমক মপামদা লাক্তুনা অমদু শুটি লৌদুনা ময়ূমদা হল্লক্লগা লীলা য়েংনবগীদমক ঙাইদুনা লৈনরম্মী। নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা য়াম্না লাপ্পা মফমদগী বস/কার/টেক্সি/ওটোরিক্সো ৱায়দুনা মী ময়াম থুংলবা হৌরকখি। লীলা য়েংনবগীদমক লীলা টিকেট কক্লবা হোৎনবদা অঙকপা অৱাবা অমা ওইনখি। টিকেট ফংদদুনা য়াম্না নীংবা কায়না হন্নখিবা য়াওনৈ। মরমদি লীলাগীদমক খল্লিবা পন্দাল (থৌওইনা লীলা শাননবা শেম শারিবা মফম অদুদা থারিবা চ্যের অদু ফম্ফম লৈতবগীনি)। অদুবু মথংগী নুমিত্তা অমুক লীলা উৎকদবনা মথংগী নুমিৎকী টিকেট ওইনা কক্লগা হন্নখিবসু য়াওই। ঐখোয়না নোর্থ ইষ্টকী মফম খরদা শান্নখিবা লীলাগী মফমশিংদি - অসামগী মৈতৈ তাবা লম অয়াম্বা, হোজাই, সোনাই, লখিপুর, চীংদোং লৈকায়, মঙ্গোলপুর, লাইশ্রম খুল, জাব্রিবোন, রোংপুর, গুৱাহাটিনচিংবা অমদি অতোপ্পা ষ্টেটশিং - নাগালেন্দ, ত্রিপুরাদসু শান্নে। মসিদগী হেন্দোক্তুনা মপানগী অতৈ অরাপ্পা ষ্টেটশিংদা - ৱেষ্ট বেঙ্গল, কোলকটা, হায়দরবাদ, মহিসুর, বেঙ্গলোর, দেল্লীনচিংবা মফমদসু লীলা শান্নখ্রে। অতোপ্পা লীলাগী পার্টিনসু হৌজিক্তি অতৈ মফম কয়া কয়াদা য়াম্না তোয়না শান্নবগী পাউসু লৈরে। মসি পূন্নমকশিং অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমদি অফবা পাউ ঙাক্তনি।

য়াম্না নোক্নিংবা অমদি অঙকপা ৱারী খরসু লৈরি। ঐখোয়না হোজাইদা লীলা শান্নবা চৎপদা ঐখোয়না মতমদুদা শান্নবা লীলা মখল অহুম নুমিৎ হুমনি চঙনা শান্নখ্রে। অদুবু ওদিএন্সশিং অসিগী অপাম্বনা ঐখোয় নোংমা নীনিদং চোন্থনা লৈবীরগা অতোপ্পা লীলা খরসু শান্নবীয়ু হায়না কন্না হায়। শান্নফমদি হোংবা নত্তে, মফম অমত্তদা শান্নবনি। ঐখোয়না লীলা শান্নবা ঙন্বদি লৈত্রে হায়বদা, অদু ওইরসু অমত্তদি শান্নবীদবা য়াদে হায়না কন্না হেক মহায়রে। মতমদুদা ঐগী বেগতা অনৌবা লীলা অমা পানখৎনবগী 'ভালোহে পেম্মা' হায়বা স্ক্রিপ্ট অমদি পুরগা লাকই। মদু অশংবা মতমদা পারগা লীলাদুগী প্রদক্সন তৌনবগী ৱাখল খন্নবা হায়দুনা হাপচিল্লকখিবনি। মীয়ামগী প্রেসর অদুনা কনবদগী ঐখোয় পার্টিগী ওইবা ৱা খন্নরে। স্ক্রিপ্ট অদু পানরগা চাংয়েং অমা ওইনা লীলা হয়েং শান্নরসি হায়নরে। মতমদুদা ঐখোয় লীলাগী স্ক্রিপ্তু ফাওবা সেলেক্সন তৌদ্রিবনি। কষ্টিং তৌদ্রিবনি। ঐখোয় অয়াবা পীখ্রে হয়েং অনৌবা লীলা 'ভালোহে পেম্মা' হায়বা অমা শান্নরসি হায়না লাউথোকখ্রে। ময়াম্না খূবাক খুদুনা এদভান্স টিকেট ফাওবা লৌনখ্রে।

নোংঙাল্লে, ঐখোয় ঙন্তা হৌগৎলে, অদুগা মীনা উদবা লৌবুক ময়ায়দা য়াম্না লাপ্না চৎলে। অদুগা লৌবুক্তুদা ফম থাদুনা ফম্মগা ঐখোয় লীলাদু তম্মে। লীলা তম্বদুনি য়াম্না নোক্লিংঙিসে। ঐনা লীলাদুগী স্ক্রিপ্তুদি পারবনিনা, ৱারী ওইনা ময়ামদা লীরে। ৱারীদু ঐখোয় মমুৎ তানা খঙদোক্লে। অদুদগী কাষ্টিং তৌরগা, সিন ৱাইজ ওইনা লীলাগী ৱারী অমুক লীরে। অদুগা লোয়ননা স্ক্রিপ্ট অদু পারগা চিন্না অমুক অমুক হায়নৈ। অসুম্না লোইবা ফাওবা হন্না হন্না ঐখোয় ওরাইরে। ফনা য়াম্না থেংঙে। চাকসু থোংদ্রি, ঐখোয়না চাক্তু থোংলগা চাগদৌরিবনি। মী অমা অনী হান্না থাখ্রে, চাক মৈ থাগৎনবা হায়দুনা। অদুগা ঐখোয় মখৈনা লীলাদু কন্না তল্লি। পূক্নিংদা নুংঙাইবসু ফাওই, অকিবসু ফাওই, থাজবসু ফাওই।

নুমিৎ তারে, লীলা য়েংনবা মীনা ঙ্রুং ঙ্রুং তিল্লে। নুমিদাংগী চাক্তু থোংলগা হোরেল লীলা লোইরগা চাগদবনি, অদু ফাওবা থোঙনবা মতম লৈত্রে। ঐখোয় ওনশিন ওনশিন্নদুনা লীলাসি পংপাদা পানবনি। স্ক্রিপ্টতা ইরিবা অশেংবা দাইলোগতি অমত্তা য়াওপোত্তেদা। শাজিল-শাজিল্লগা হায়নরিনি, ৱারীদুগী থৌদোক্তু কোক্তা থল্লগা হায়নবনি, ৱারী মপূংদুগী অরোইবদু তানবা হায়দুনা। লীলাদু নুমিৎতু খরা থেংনা হৌই। পুং ১০ মুক তারমদৌ মাল্লি। লাই খুরুম্মগা হৌরে। ময়ায়দা ঙাঙনরিবদু ফৈনা ফৈনা চৎখিদুনা ৱারী তাশিনবা য়াদবদগী খোমজিন খোজিন্দুনা লীলাদু নমশান শান্নে। মথন্তগা ঙাঙবা মীদি, পাক লোইশিল্লু য়াদদনা, লীলা ফি শেৎফমদগী খূৎ খৎলগা চংঙক-ও হায়না কৌশিন্নরিবনি। নুমিৎতুগী লীলাদু ওদিএন্সশিংনা খূবাক খূবসি ইচিন থী হায়নি য়াম্না খূখ্রজাৎনি। ঐখোয় হরাউই। শাংবদি লোইরে পাক লোইশিনবা য়াদদনা পুং ৩ খরা হেল্লপ শান্নবনি। নুমিৎতুগী ওদিএন্সশিংদু পেঞ্জখিবনি। অরোইবা লীলাদু নুংঙাই হায়না হায়হৌবনি। অসুম্না য়াম্না ঙকপা নোকনীংবা এক্সপরিএন্স অমসু ঐখোয় ফংখি। মসি তৌগে হায়না তৌবা নত্তে, সিচুএসন্না অমদি প্রেসরনা য়াদদুনা তৌখিবনি। লীলাদু ইম্ফালদা থোরক্লগা শান্নখি। য়াম্না মায় পাকখি। শো য়াম্না উৎখিবা লীলানি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৫৯

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ২০, ২০০৯ :** হৌখিবা অহিং (তাং ১৯ অমসুং ২০গী লোন্নবা) গী পুং ৩.৩০ রোম তাবদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্দগী নোংচুপ্তা কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা লৈবা লৈশাংথেম খোঙ মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৩৪শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিমগা খূৎ থোক্লবদা মীওই অনী শিরে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

লৈশাংথেম অমসুং খেলাখোংদা খূৎলায় পায়বা অন্দরগ্রাউন্দগী মীওইশিং চথোক চৎশিন তৌরে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী খুদক্তা কম্বাইন্দ টিম অমা থিবা হুম্বগী থবক চথুনবা মফম অদোমদা চঙশিনখি। কম্বাইন্দ টিম্না মফম অদু কোয়শিনবা হৌরকপা, চাউরাক্না নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০ রোম তাবদা শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। কম্বাইন্দ টিম্নসু হন্দুনা কাপখি। চাউরাক্না মিনট ২০ লোম কাপ্নখি। কাপ্নবা অদুদা অন্দরগ্রাউন্দগী মীওই অনী খুদক্তা শিখি অদুগা অতৈনা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

নোংমৈ কাপ্নবা লোইরবা মতুংদা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা এ কে সেরিজগী রাইফল অমা, এ কে রাইফলসকী মেগজিন ১, নাইন এম এমগী পিষ্টোল অমা, নাইন এম এম পিষ্টোলগী মেগজিন অমা, চাইনিজ মেদ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, এম সিক্সটিনগী মেগজিন অমা, এ কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৯, নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৬, এম সিক্সটিনগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৮, লেথোদকী মিসফয়র ওইরবা মরূ ১, পল্ফকী দিমান্দ লেট্টর অমা অমসুং লুপা ২০ য়াওবা শউনগী বেগ অমা ফংই হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

তুংদা শিরবা মীওই অনী অদু মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মখোয় অদুদি মুহম্মদ বোচা এলিয়জ মুহম্মদ অলি (২১) অপোকপগী মীং মুহম্মদ কেরাম অমসুং মুহম্মদ অনিশ (১৯) অপোকপগী মীং মতলিবনি। মখোয় অনীমক য়াইরিপোক তুলিহল কোঞ্জিন্দগীনি।

ইমুং মনুংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না মুহম্মদ বোচা হন্দক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পাঙথোকখিবা ভি দি এফকী রিক্রুটমেন্ট রেল্লি য়াওখি। মহাক থা অসিগী ১৫গী নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবদা মসজিদতা লাই খুরুম্লুরগা থোক্লকপদা মুহম্মদ অনিশনা য়াইরিপোক বজার ফাওবা চৎলুসি হায়দুনা চৎমিন্নখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

মুহম্মদ অনিশ পল্ফ য়াওরম্বদগী ফাদুনা এন এস এদা দিটেন তৌরুরে। জেলদগী থোক্লকপা থা অমা মখায়রোমদা ঙাইরি হায়রি।

অমরোমদা, তাং ১৮গী নুংথিলদা কসোম খুল্লেন পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কসোম খুন্নৌ বস ৱেটিং সেদ ময়াগী লোকমাইদগী শিনা ফংখিবা মাইলেং খুন্দগী এ এস রিংফামি (৩৭) কী হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা, ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমদগী আইন্না থিংখ্রবা য়ু এন এল এফকী ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসিষ্টেন্ট আর ও অমা য়াওনা মীওই ৬ অমদি লোত্তুনা থল্লম্বা খূৎলায় ময়াম অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো অমসুং ১১শুবা মরাথা লাইট ইনফেন্ট্রিগী অপূনবা খূৎপু অমনা ফাগৎলে হায়রি।

ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী এসিষ্টেন্ট এস পি, এল এম হাওকিপনা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বিল্ডিংদা য়ু এন এল এফ ফাইনান্স গ্রুপনা চহীগী ফন্দগী মতাংদা জোইন্ট মীটিং অমা পাঙথোক্কদৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংখি।

পাউ অদু হেক ফংবগা খুদক্তা ও সী কম্মান্দো ইম্ফাল ৱেষ্টনা লুচিংবা কম্বাইন্দ টিম অমনা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অকোয়বদা ফ্রিস্কিং চেক্কিংগী থবক চথুখি। মদুদা অৱাং থংবা গেটতগী চিংননীংঙাই ওইবা মীওই অনি ফাগৎখি। মখোয় অনী অদুদি য়ু এন এল এফকী ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসিষ্টেন্ট আর ও নাওরেম কিরন এলিয়জ সেখর (২৯) অপোকপা ইমোয়াইমা এলিয়জ বোয়াই, ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক মখা লৈকায়দগী হৌজিক্না ২শুবা এম আরগী নোংচুপ থংবা গেটতা লৈবা অমসুং নিংথৌজম হেলেন্দ্রো (২৯) অপোকপা সনায়াই, হৈরোক পার্ট টু বজারদা লৈবনি। হেলেন্দ্রো মরিশুবা আই আর বি (ঈ-কোম) গী রাইফলমেন নম্বর ৪০৫৩৩১নি। মহাক হৌজিক্না অনীশুবা আই আর বিগী গেমস সেক্সন্দা জুদো প্লেয়র ওইনা লৈবনি। মখোয়দগী নোকিয়া হেন্দ সেট অমা, পুলিস দিপার্টমেন্টনা ইস্যু তৌবা আই কার্দ অমা ফংই হায়না হাওকিপনা ফোঙদোকখি।

মখোয় অনী ফারবা মতুং য়ু এন এল এফকী মপান্দা লৈবা হায়র রেঙ্ক ওফিসরশিংদা পৈশা খোল্লগা থাবা মীওই অনী ময়ূম ময়ূমদগী ফাগৎখি। মীওই অনীদুদি খাইদেম রোমেন (২৯) অপোকপা কৃষ্ণ, লফুপাৎ তেরা লিতান মখোঙদগী হৌজিক্না থাংমৈবন্দদা অশানবা য়ূমদা লৈবা অমসুং অসেম নিলকান্ত এলিয়জ ইঙো এলিয়জ য়াইফবা (১৯) অপোকপা অমুয়াইমা লংদুম অৱাং লৈকায়নি। মখোয় অনী ফারবা মতুং সিম্পেথাইজর অমসুং মেসেঞ্জর অনী অমসু ২শুবা এম আরগী নোংচুপ থংবা গেট ময়াদগী ফাখি। মীওই অনীদুদি এলাংবম রতনকুমার (২৮) অপোকপা কুমার হিয়াংলম ময়ায় লৈকায় অমসুং হৈস্নাম রোমিও (২২) অপোকপা বিরমঙ্গোল লফুপাৎ তেরা হিয়াংখোংদা লৈবনি।

কিরনবু ৱাহং পাউহং চথুবদা মহাক্না খোরদাক ময়ায় লৈকায়দা লৈবা য়ু এন এল এফকী পোৎ থাঙদোক থাংজিন তৌবা ঐচ দেবান (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা সনাতোন্দা খূৎলায় খরা শিন্নখ্রে হায়বা খঙখি। দেবান্না হায়দোরকপদগী য়ু এন এল এফকী কেম্পতগী এ কে ৫৬ রাইফল অহুম, দবল বেরেল অমা, ইনভর্টর অমা, সোলর লেম্প প্লেট অমা, এ কে ৫৬কী প্রোজেক্টাইলস ১৭০, দবল বেরেলগী মরূ তরা, তেক্লি অমা অমসুং নোকিয়াগী হেন্দ সেট অমা ফংখি হায়রি।

**দিসেম্বর ২০, ২০০৯ :** ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হাপ্তা কাংজৈবুংদা চথুরকপা মণিপুর টুরিজম ফেষ্টিবেলগী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা মীয়াম্না ফেষ্টিবেল য়েংনবগীদমক লাকপদা পেলেস কম্পাউন্দগী অকোয়বদা লৈবা লম্বীশিং ত্রাফিক জার্ম থোক্তুনা পুং কয়া লম্বী থিংখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০দগী চথুরকপা মণিপুর টুরিজম ফেষ্টিবেল ২০০৯গী ঙসি লোইশিনবা নুমিত্তা মীয়াম্না ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা মফমদা থোমজিন্নরকপদা নুংথিল পুং ১ রোম তাবদগী নুমিদাং পুং ৬ ফাওবা ইম্ফালগী কংলা পার্কতগী হৌরগা শঞ্জেনথোং, পুরৈরোম্বা খোংনাংখোঙ, ন্যু চেক্কোন লম্বী, কোংবা - ৱাংখৈ লম্বী, পেলেস কম্পাউন্দ মনুং অমসুং মহাবলি লম্বী ত্রাফিক জার্ম থোক্তুনা পুং কয়া লম্বী চৎপা য়াদনা লৈনখি।

মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ফেষ্টিবেল পাঙথোক্লিবা মফমদা থোমজিন্নরকপদা ষ্টোলশিংদা চঙফম লৈখিদে। ফেষ্টিবেল অসিগী কেম্পস মনুংদা হাংলিবা ষ্টোলশিং অমসুং চিঞ্জাক্কী ষ্টোল অয়াম্বদি লাক্লিবা মীয়ামগী দিমান্দ পীনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু ফেষ্টিবেল কমপ্লেক্সতা উফুল য়াম্না থোকপনা মরম ওইরগা মীয়ামদা নুংঙাইতবা কয়াসু ফাওহনখি।

মখল কয়াগী থৌরমগা লোয়ননা ঙসি লোইশিনবা অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা টুরিজম কম্মিস্নর বি বি শর্ম্মনা হায়, টুরিজমগী ফীভম হেন্না ফগৎহন্নবা রেষ্ট্রিক্টেদ এরিয়া পার্মিট অমসুং প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরি। লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অকনবা প্রেসর তৌরি। টুরিজম ফেষ্টিবেল অসি চহী খুদিংগী দিসেম্বর ১০দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্লবা লেপ্লে। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসিনা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশিনবা পুরকপদা অচৌবা লম্বী ওইরি। মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অসিদা লাইরিক হৈবা নহারোল কয়া থবক ফংদবগী অৱাবা থেংনরি। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অসিনা মশানা মশাবু শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা অমসুং থবক পীজনবগী লম্বেল অমসু শেম্বা ঙমহল্লগনি। মসিগী মথক্তা স্পোর্টস অমসুং কলচরেলগী মশক হেন্না তাক্লবগী মচাকসু ফেষ্টিবেল অসিনা পীরি। হন্দক্কী ফেষ্টিবেল অসিদা অহোবা কয়া য়েংশিনগনি হায়নসু চীফ গেষ্ট ওইখিবা বি বি শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ু জি সী একাদেমিক ষ্টাফ ট্রেনিং কোলেজ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টর দা. আর কে রঞ্জন্না প্রিসাইদ তৌখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসলশিংনা ষ্টোলশিং চৎতুনা য়েংশিনখি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামনা মতম শাংনা লৈতাফম খঙদনা লৈরকপা অদু ফেষ্টিবেল অসিনা ঙাইহাক্তং ওইরবসু পোত্থাফম পীবদা ফেষ্টিবেল অসিবু য়েংবা লাক্লিবা মীয়ামগী পূক্নিংদা নুংঙাইবা অমদি ফাওহল্লি।

**দিসেম্বর ২০, ২০০৯ :** অমাদা (ওল মণিপুর এন্টি দ্রগ এসোসিএসন) লিংখৎখিবা নুমিৎপু 'ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা মীকপ থোকপা নুমিৎ' হায়না চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোকপগুম ঙসিসু থৌরম অসি এম এল এ সলাম জয়না চীফ গেষ্ট ওইদুনা শামুরৌ ময়ায় লৈকায় কাঙজৈবুংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা অমাদাগী প্রিসিদেন্ট এম পদমীনি লৈমনা থৌরম মপু অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা তাকয়েল জিলা পরিষদ এন জি বিমালা, ইস্লামিক কলচরেল রিসর্চ ওর্গনাইজেসনগী প্রিসিদেন্ট এম ভি হতিম অলি অমদি লংথবালগী প্রধান গঙ্গা লৈমনা দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ সলাম জয়না মীপূম তিংনা লিংজেল মান্ননা মণিপুরদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংমিন্নবা মতম য়ৌরে হায়রদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী পোৎলম পূম্বা লমদমসিগী লৈহাওদগী মুথৎলসি হায়খি।

লমদম অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা ইরাক্লরবা লমদম অমা ওইবদগী ঐচ আই ভি/এইদস লৈবদা মকোক থোংলে। অমরোমদা, নোংমৈগী কলচরদা মকোক থোংবা লমদম হায়বদু ওইরে। মসিনা মণিপুরদগীনি হায়না শক্তাকপা ফাওবা ইকায়বা মতম অদু য়ৌরে অমসুং লৈবাক অসি য়েংহৈদ্রবা, হিংহৈদ্রবা ফীভম অমদা লৈরে হায়না এম এল এনা হায়খি।

থৌরমদুদা হতিম অলিনা অমাদানা কথোকপা অমগা লোয়ননা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংদুনা তুংগী মীরোলগীদমক থবক তৌরি হায়না শিংথাবগা লোয়ননা মমা-মপাশিংনা চেকশিন্না মচা মশুশিংবু য়েংশিনবা ঙম্লবদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি হায়না থাজবা ফোঙদোকখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।